HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



নোর্থইষ্টর্ন থিএটর এসোসিএসন হেঙাংনা শীন্দুনা থা অমা চুপ্পা চথরকপা থিএত্রিকেল ম্যুজিক ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম ইম্ফাল ইষ্টকী খাবম চুংব্রেথোংদা লৈবা নেটাগী ওফিসতা পাঙথোক্তুনা শকখঙ চেশিং খূৎশিন্নবা

লৌশিং পূক্কে : কেন্সর মখল খুদিংদগী খ্বাইদগী হেন্না... লামায় ২
লামায় ৪ দুর্গা পূজানা লাকপদা নীংশিংলকপা খরা!
অদুঙৈগী অকি-অখং পোকখিদবা মেরা থাদো লামায় ৫
লামায় ৬ সী এমনা লোকেল সেল্ফ গভর্ণমেন্টকী ইলেক্সন ...
ষ্টেট্‌হুদ ফংদ্রিবা ফাওবা আই এন দি আই এ, পি দি পি ... লামায় ৮
লামায় ১০ আই এস এস এফ জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ...

থা অসিগী ১দগী ৭ ফাওবা চয়োল অমা চুপ্পা চথরকপা ৭০শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱীককী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিংগী কম্পিটিসনশিংদা মকোক মথং তারবা কম্পিটিটরশিংদা মনা য়েন্থোকপা



Vol. 48, Issue No. 185 | লৈবাকপোকপা, মেরাগী ৫নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, October 08, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# জিরিবাম : কুকি টেররিষ্টশিংনা নন-লোকল শিন্মী ১ লুপা লাখ ১৫গী রেন্সমদা ফাখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :**
মমাঙ চহীগী মে ৩দগী মণিপুরদা তমথীরবা লান হৌরকখ্রবসু মতম শাংনা ঈংনা-চিক্না লৈরকখিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতসু কুকি টেররিষ্টশিংনা অকনবা লান চথরকপদগী মীশি-মীনা কয়া য়াওহনখিবদা নত্তনা থা অসিগী ৫গী নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা জিরিবামগী জে টি রোদ পরিংগী সনি মন্দিরগী মনাক্তা লৈবা এম/এস মেন্সন নামৈরাকপমদা শিন্মী ওইনসু লৈবা নন লোকল দ্রাইভর অমা ফাদুনা পুখ্রগা মহাক্কী থাদোকমল লুপা লাখ ১৫ পীননবা রেন্সম তাল্লকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়বদা কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা নোংমৈ চিন্দোলদা ফাদুনা পুখ্রবা নন লোকল শিন্মী দ্রাইভর অদুগী মমিং নরহরি বর্ম্মন (৪৫) অপোকপা রামচন্দ্র বর্ম্মন কৌই, অসামদগীনি হায়রি।

কুকি টেররিষ্টশিং অদুনা মহাক্কা চৎমিন্নখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী মেছিন ওপরেটর বিষ্ণু বর্ম্মন (৩৩) অপোকপা সুধিরচন্দ্র বর্ম্মনসু পূন্না ফাখিবনি অদুবু বিষ্ণু বর্ম্মনদি থাদোরকখ্রে হায়রি।

মখোয়না থবক শূরিবা এম/এস মেন্সন নামৈরাকপম হায়রিবা মফম অসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী মখা রোমদা কিলোমিটর ৫ রোমদমক লাপ্পনা লৈবনি হায়রি।

### কুকি টেররিষ্টশিংনা শান্তিখোংবান অমসুং থম্নাপোকপীদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে

থবক শূফম অসিদা মখোয় অনী তূমদুনা লৈরিঙৈদা কুকি টেররিষ্টশিং চঙশিল্লক্লগা মখোয়বু সোটোবেক্রা রোমদা থিন্ননবা হায়রকখি হায়রি।

কুকি টেররিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ চিন্দোলদা ৱাফম অদু হায়রকপদগী মখোয় অনীনা থিনবা চৎখিবনি। অদুবু মখোয় থিনখিবা গাড়ী অদুনা কিলোমিটর ৫ রোম চৎলবা মতুংদা বিষ্ণু বর্ম্মন থল্লক্লগা নরহরি বর্ম্মন পুরগা চৎখিবনি। মসিগী মতুংদা বিষ্ণু বর্ম্মনগী মোবাইলদা কোল তৌরক্তুনা নরহরি বর্ম্মন মখোয়না ফারে। মহাকপু থাদোরকউ হায়রবদি লুপা লাখ ১৫ পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগা খূৎশম্নদুনা মহাক্কী খোঙ্গুল লীবগী থবক চথরি অদুবু ঙসি নুমিদাং ফাওবদদি নরহরি বর্ম্মন ফংবগী পাউ লৈখিদ্রি।

অমরোমদা, নুমিৎ খরনি লেপ্পুরবা মতুংদা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ খরা হেল্লকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসননা কোল্লিবা শান্তিখোংবান অমদি য়াইঙংপোকপী রোমদা কুকি টেররিষ্টশিংনা উয়োক চীং লোমদগী নোংমৈ কাপশিনবা হৌরকখ্রে হায়রি।

খঙহৌদনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী খুলশিং অসিবু ঙাক শেল্লক্লিবা পুলিস কম্মান্দোশিং অমসুং খুল ঙাকপশিংনা হন্দুনা নোংমৈ রাউন্দ খরসু কাপখি। ষ্টেট ফোর্স অমসুং খুল ঙাকপশিংনা খূৎ হন্দুনা নোংমৈ মরূ খরা কাপ্পুবদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মখা তানা নোংমৈ কাপথরকখিদ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক নুমিদাং অথেংবদা অমুক হন্না নোংমৈ কাপশিল্লকক্রা চিংনবদগী মফম অসিদা দিপ্লোই তৌরিবা ষ্টেট ফোর্স অমসুং খুল ঙাকপশিং মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনরি হায়রি।

# চূড়াচান্দপুরদা এস এস সীগী এগজাম সেন্টর অমুক হন্না থম্বীয়ু হায়না কে এস ওনা দেল্লী হায় কোর্টতা ৱাকৎলকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :**
মে ৩, ২০২৩দগী চথরক্লিবা লান অসিগী হৌরকফম ওইরিবা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈরম্বা ষ্টাফ সিলেক্সন কম্মিসন (এস এস সী) গী এগজাম সেন্টর লৌথোকখিবগী মায়োক্তা অমুক হন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিদা থমহনবীয়ু হায়না কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) না দেল্লী হায় কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখ্রে।

পিটিসন অসি ষ্টাফ সিলেক্সন কম্মিসন অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংবু রেস্পোন্দেন্ট ওইহল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিসন অসিদা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা ত্রাইবেল মহৈরোয়শিংগীদমক চপ চাবা লৌখৎফম থোকপা মহৈ মশীন তম্বগা মরী লৈনবা থবকশিং লৌখৎনবা মণিপুর লৈঙাক্কী রেস্পোন্দেন্টশিংদা দিরেক্সন পীবিয়ু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

অদুগা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী এস এস সীগী এগজামিনেসন সেন্টর লৌথোকখিবনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মহৈরোয়শিংনা এস এস সীনা লৌবা এগজামিনেসনশিং শরুক য়ানবা হোৎনবদা মিজোরামগী কোনুং আইজোল তম্না চৎলে হায়রি।

কে এস ওনা ফাইল তৌরক্লিবা পিটিসন অদু ঙসি দেল্লী হায় কোর্টকী চীফ জষ্টস মনমোহননা লুচিংলগা জষ্টিস তুসর রাও গেরেলা য়াওবা বেঞ্চ অমনা লৌখৎতুনা খন্নখি।

কোর্টনা মেটুর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নর ওইরিবা কে এস ওগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল রুদ্রজিৎ ঘোসনা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী এগজামিনেসন সেন্টর লৌথোকখিবা অসি মরম চাদে হায়রদুনা থৌওং অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা পীরকখিবা রিপোর্ট অদুবুসু য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। কোর্টনা নাকল অনীগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী ৱায়েল থা অসিগী ১৬ ফাওবা এদজোর্ন তৌখি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা ৱাকৎখিবদা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী এস এস সীগী এগজামিনেসন সেন্টর লৌথোকখিবা অসি অরানবা থৌওংনি অমসুং ঙম্মী হায়দুনা তৌখিবদা নত্তনা মরম চাবা প্রোভিজনশিং থুগাইরগা চথবনি হায়নসু ৱাকৎখি।

# কুম্বীগী খুগা তুরেলদা নুপা ১গী অশিবা হকচাং তাওথরক্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস):**
ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা কুম্বী পুলিস ষ্টেসনগা কিলোমিটর অমা ফাদনা লাপ্পরিবা খুগা তুরেল মরীলগী কুম্বী থিঙেল লৈকায় মপাগী তোৰ্ব্বান্দা নুপা অমগী অশিবা হকচাং তাওথরকপদগী পুলিসনা লৈকায়গী মীওইশিংগা লোয়ননা লৌখৎখ্রে।

অশিবা হকচাং অসিবু থেংনহৌখিবা লৈকায়গী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু হিগোক মচু ওইনা তৌবা হাফপেন্ট অমা শেৎলগা ৱাওরপ তৌবা ফুরিৎ অমা লিৎলম্মী। অদুবু মখোঙদা খোঙউপ তোংলমখিদে। মহাক্কী হকচাং অপুম্বা পুমথদুনা মনম চেল্লম্বনা মহাক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা শিবা ওইগনি হায়রি।

পুলিসনা হকচাং অদু মশক খঙদোক্লবা রিমসকী মীরেলশঙদা পুরক্তুনা থমখ্রে হায়রি।

# ইরেংবম চাওরেনগী ৬৭শুবা মপোক কুমওন নীংশিং থৌরমদা ৱারেং ইবগী অথোই অহেন তান্নবা পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :**
ইরেংবম চাওরেনগী ৬৭শুবা মপোক নুমিৎ নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা ষ্টেটকী থাক্তা মহৈরোয়শিংগী ৱারেং ইবগী অথোই অহেন তান্নবা অমা থা অসিগী ২০গী অয়ুক পুং ১১দগী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ ফাওবা ক্বাকৈথেলদা লৈবা রতনকুমার মেমোরিএল ইংলিস স্কুল অমসুং পিতম্বরা ইংলিস স্কুলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ইরেংবম চাওরেল মেমোরিএল ত্রষ্টনা অহানবা ওইনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱারেং ইবা চাংদম্নবা অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# য়ু এসকী সাইন্টিষ্ট ২দা মেদিসিনদা নোবেল প্রাইজ পীরগনি

**ষ্টোকহোলম, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :**
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সাইন্টিষ্ট ভিক্টর অম্ব্রোস অমসুং গেরি রুভকুন্দা চৎলিবা চহী ২০২৪গী মেদিসিনদা নোবেল প্রাইজ পীরগনি হায়না নোবেল এসেমব্লিগী মায়কৈদগী লাউথোকখ্রে।

লেমজনীংঙাই ওইরবা অৱাংবা থাক্কী মনা অসি মখোয় অনীনা 'মাইক্রো আর এন এ' পুথোকপগীদমক পীগদবনি হায়রি। মাইক্রো আর এন এ অসিনা মল্টিসেল্ল্যুলর ওর্গানিজমবু মতৌ করম্না চাউখৎলকই অমসুং হিংই হায়বদু তাকপদা মতেং ওইরগনি হায়রি।

# উখ্রুলদা ইন্টরনেট সর্ভিস থিংজিল্লম্বা লৌথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২দা উখ্রুলগী হুনপুন অমসুং হুনফুং খুল অনীগী খুঙাশিংগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোরক্তুনা ৬শুবা এম আরগী পর্সনেল অমা য়াওনা মীওই ৪ লৈখিদবা অদুগা কয়া অমনা শোকখিবা থৌদোক্তগী লৈঙাক্না দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ইন্টরনেট অমসুং মোবাইল দাটা সর্ভিসতা থল্লকখিবা অথিংবা অদু লৌথোক্লে হায়রি। মসিগী মতাংদা ঙসি জোইন্ট সেক্রেটরি (হোম) না অইবা চেরোল অমা থোকখ্রে।

# দি আই পি আরগী কেলেন্দরদা ওক্টোবর ১৭তা 'কুকি রেজিং দে' হায়রিবসি করম্বা রেজিং দেনো হংনরক্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) না চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা পুথোকপা মণিপুর কেলেন্দর ২০২৪গী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭




# য়ুথ ওফ মণিপুরগী মেম্বর ৩ থাদোরক্ত্রবদি মমা ওইবীশিংনা খোঙজং চঙশিল্লগনি : তম্ফা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :**
লৈঙাক হায়বসি মীয়াম্বু শেম্বীবা অমদি য়োকপীবনা মথৌ ওইগদবনি অদুবু ঐখোয়গী লৈঙাকসিদি মীওইবগী পূন্সিবু মাঙহনবা খক্তনি ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল লংথবাল কুঞ্জ কৈথেলদা লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা



হায়না লংথবাল কুঞ্জ মমাঙ লৈকায় মৈরা লূপকী প্রসিদেন্ট য়েন্দ্রেম্বম তম্ফানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রদা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা সম্মন পীরকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :**



মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা এম এল এসু ওইরিবা কৈশাম মেঘচন্দ্র অপোকপা লৈখিদ্রবা কে কুল্লবিধুদা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট, ন্যু দেল্লীনা সম্মন পীরকখ্রে হায়রি।

সম্মন অদুদা মহাক্না এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী ওফিসতা লাক্কদবা মফম অমসুং মতম পীরকপগা লোয়ননা সম্মন অদু পীরকপগী মরমসু খঙহল্লকখি হায়রি। মরম অদুগী মতুংইন্না মহাক মশা লাক্তুনা ইভিদেন্স নৎত্রগা একাউন্টগা মরী লৈনবা অমদি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# সুভাসচন্দ্রগী হকচাং ময়ূমদা পুরকখ্রে লৈঙাক্না অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোকপীয়ু

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :**



অসামগী দরগাওনদা লৈবা অসাম পুলিস ত্রেনিং কোলেজদা চথরক্লিবা মণিপুরগী আই আর বিগী ত্রেনিংদা শরুক য়ারকখিবদা ঙরাং অয়ূক অঙনবদা মশাগী ফমুংদা শিনা লৈরক্লে হায়রিবা নম্বোল খা জিরি মনীং লৈকায়দগী য়েলাম সুভাসচন্দ্র এলিয়জ নাওতোনগী হকচাং ঙসি মহাক্কী য়ূমদা পুরকখ্রে। মহাক লৈখিদবা থৌদোক অসি য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক্নি হায়না খা জিরি য়ঙ স্পোর্টিং ক্লব এন্দ লাইব্রেরিগী জেনরেল সেক্রেটরি পি ঈশ্বরচন্দ্র মৈতৈনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# খুদোল ওইনা হেন্দ গ্রেনেদ পীরম্লে ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :**
ঙসি অয়ূক পুং ৭ লোম তারকপদা লম্ফেল পি এসনা কোল্লিবা নাগামপাল কাংজাবী ফ্রেন্দস কোলোনি মনাক্তা লৈবা চিরোম সুনিল (৫৫) অপোকপা সী ঐচ নিমাইগী য়ূমদা শকখঙদবশিংনা বোক্স অমদা নীংথিজনা হাপ্লবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা খুদোল পোৎ ওইনা থল্লম্লে হায়রি।

বোম অদু কনানা করিগীদমক থল্লম্বনো খঙবা ঙমদ্রবসু পুলিস লাক্লগা লৌখৎখ্রে। লোয়ননা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা নাগামপাল কাংজাবী লম্পাক্তা মৈনম লৈকায় মৈরা লূপ অমসুং কাংজাবী লৈরক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# শকখঙদবশিংনা ফাখিবা অঙৌ থাদোকপীরকউ হায়দুনা ৱাকৎ খোঙজংশিং চঙশিনখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :**
হাওবম মরক চীংথাম লৈকায়দা লৈবা আর কে সনামচা কৌবা মীওই অমগী অশানবা কাদা লৈরকখিবা থৌবাল অৱাং লৈকায় সঞ্জেনবম লৈরক্তগী মশাগী চহী ৫৭ লোম শুরবা অকোইজম অঙৌনা মমাঙ থাগী ৩০গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তারকপদা ট্যুসন চৎখিবা মচানুপী লৌননবা চৎখিবদা ইবোতোনম্না গর্লস হায়র সেকেন্দরি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# নুপী খুন্নাইবু শীংনবা অমদি নুপীবু শান্নপোৎকুম্না খনবা হৈঙাংদগী রোমারিও চৈরাক পীখিবনি : কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফ

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ :** কোইরেংনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) কী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম শকহেননা থোরকপা চেরোল অমদা নুপী খুন্নাইবু শীংনবা অমদি নুপীবু শান্নপোৎ ওইনা খনবা হৈঙাংদগী রোমারিও চৈরাক পীখিবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙরাং য়াইরিপোক পেচি চীংলক্তা হৈঙাং ময়ায় লৈকায়দগী খোইনাইজম রোমারিও অপোকপা কে ঐচ রোমিবু মফৈগন্দা নোংমৈনা কাপ্তুনা ৱারক্লম্বদু লালহৌলূপ অসিগী টাস্ক ফোর্সকী টিম অমনা তৌখিবনি। রোমারিওনা নুপী খুন্নাইবু শীংনদুনা অমদি খুন্নাইগী চৎনবীগী ৱাংমদা শেল অমদি শঙ্গ চাউরে হায়দুনা নুপী ওইবীশিংবু শান্নপোৎকুম্না খনবা অমদি হুন্দোক-থাদোক্লিংবা মতমদা থাদোকপা য়াই হায়না চথরকখিবা থবকশিং অদুনা মহাকপু চৈরাক অসি পীখিবনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ৱাখল তাদনা লৈরম্বা মীওই লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :**
ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীদা ৱাখল তাদনা লৈরম্বদগী পুলিসনা জেনিমসতা লায়কন্ননবা পুখৎখ্রবসু কনবা ঙমহৌদনা মীওই অমা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবগী মমিং ৱাহেংবম রাজেন (৪৮) অপোকপা দল্লিয়ু বির কৌই, খুরাই থাংজম লৈকায়দগীনি হায়রি।

মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা মহাক অফং-অফংবা থবক শূজবা মীওইনি। ঙরাং অয়ূক য়ূমদগী থোকখ্রবা মতুং অয়ূক পুং ১০.২০ লোম তারকপদা ৱাখল তাদনা লৈরম্লে হায়দুনা পুলিসনা জেনিমসতা পুখৎলগা লায়কন্নবদা নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তারমদাইদা লৈখিদবনি হায়রি।

মহাক্কী ইমুংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা



# শেলগী দিমান্দ কয়া তৌশিল্লকপনা দিসেম্বরদা পাঙথোক্কদবা নেসনল স্কুল গেমস পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বা থাজদ্রে : এল মেঘবর্ন

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস) :**
মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস (য়াস) লোয়শঙদা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা শেলগী দিমান্দ কয়া তৌশিল্লকপনা মরম ওইরগা লাক্লিবা দিসেম্বর থাদা মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা দিসিপ্লিন মরিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল স্কুল গেমস পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বা থাজদ্রে হায়না লোয়শঙ অসিগী টাইক্বান্দো মশান্নগী সিনিয়র কোচ এল মেঘবর্ননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা লোয়শঙ অসিগী এমপ্লোয়ীশিংনা মসিগী কেম্পস মনুংদা লৈরিবা লোয়শঙ অসিদা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌরক্লে হায়দুনা মসিগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।



মহাক্না হায়, মণিপুর অসি স্পোর্টসকী পৱার হাউস ওইরবসু য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট অসিদি য়াম্না অপীকপা লোয়শঙ অমনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী বডজেটসু য়াম্না পীকই অদুবু লোয়শঙ অসিনা লৌরিবা থৌদাংদি য়াম্না চাউই। মণিপুরগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী লমচৎ-শাজৎতগী হৌরগা মশান্না কয়াদা তাকপী-তম্বীরি। লোয়ননা মালেমদা মাঙজিল থানা মণিপুরগী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনরিবা লোয়শঙ অসিদা হন্দক মরক মশক খঙদবা মীওইশিংনা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌরক্লিবসি খুদক্তা লেপ্পীয়ু। অসিগুম্বা শেনখায়-থুমখায় অসিনা শান্নরোয়শিংবু তাকপী তম্বীরিবা ওজাশিং অমদি লোয়শঙ অসিগী ষ্টাফশিং নীংথিজনা থবক তৌবা ঙমদ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা হন্দক দিসেম্বর থাদা মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# ঐখোয়না হৌজিক মায়োক্লরিবা 'কোর ইস্যু' অসি দাইভর্ট তৌখিবা য়াবা থবক থৌরম অমত্তা তৌদনবা ইরৈচা খুদিংমক্না হোৎনমিন্নসি : কে সী পি (তাইবংঙানবা)

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ :** ঐখোয়না হৌজিক মায়োক্লরিবা 'কোর ইস্যু' অসি দাইভর্ট তৌখিবা য়াবা থবক থৌরম অমত্তা তৌদনবা ইরৈচা খুদিংমক্না হোৎনমিন্নসি হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি-তাইবংঙানবা) গ্রুপকী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর খোংনাংথাবা মীতৈ অমসুং য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি ওফ কংলৈপাক (য়ু পি পি কে) গী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি নোংদম্বা মীতৈনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৬ কলম ৪

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫